

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, WEDNESDAY, OCTOBER 16, 2019 PAGE 7


*শোক্তুনা লৈখিবদগী ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী বেটসৱুমেন রেঙ্কিংগী নম্বর ৱান পোজিসন মাঙজখ্রবা ইন্দিয়াগী ওপনর বেটসৱুমেন স্মৃতি মন্ধনা*

*কুমজা ২০২৩ ফাওবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী নুপা ক্রিকেট টিমগী ফোরমেট অহুমক্কী ওইনা হেদ কোচ ওইবগী থৌদাং পুখ্রবা ফিল সাইমোন্স*

## ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু পেনাল্টিদা ৫–৩ দা থোইদুনা সাফ য়ু–১৫ ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্সিপকী ৱিন্নর ওইখ্রে

*থিম্ফু, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ*



ভুটাননা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৯ দগী চথরকপা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন (সাফ) য়ু–১৫ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু পেনাল্টি সুট আওটতা ৫–৩ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

সাফ য়ু–১৫ ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক ৪ না লম্বা তৌনখিবনি। লৈবাক অমমমনা লীগ মেটচ ৩ / ৩ শান্নরবা মতুং মকোক থোংবা টিম অনীনা দাইরেক্ট ফাইনেল শান্নবগী খুদোং চাবা লৈখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম্না লীগ রাউন্দদা মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ অনী মায় পাকপা লোয়ননা মেটচ অমা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা গোল দিফরেন্সতা বাংলাদেশতগী হেন্দুনা টেবলগী মকোক ওইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা বাংলাদেশসু মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ ২ মায় পাক্লবা মতুং মেটচ অমা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা গোল দিফরেন্সতা ইন্দিয়ানা ফজখিবদগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল চঙলকপনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা গ্রুপ মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশ গোল ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হেক হৌবদগী গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু বাংলাদেশকী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লদুনা লাকখিবদগী গোল অমত্তা চনশিনবা ঙমহন্দনা থমখি।

২৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমিসা বাক্সলানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। বাংলাদেশকী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদুনা মেটচকী ২৬শুবা মিনটতাসপনা রানীনা চনশিন্দুনা গোল ১–১ দা মান্নরগা মেটচ অদু দ্রো চৎখি।

সাফ য়ু–১৫ ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌবদগী নাকল অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্নরকখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমিসা বাক্সলা অমদি লিন্দা কোমনা পুন্না এটেক চখমিন্নদুনা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা থিরকখি। অদুবু বাংলাদেশকী গোলকিপরনা য়াম্না ফজখিবদগী গোল চনশিনবগী খুদোংচাবা লৈখিদে।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী গোল অমত্তা চন্নখিদ্রবা মতুং এক্সত্রা টাইমগী অহাপ্পা মতমশিংদসু মায় পাকপা ঙম্নখিবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা অমুক লম্বা তৌনখি।

পেনাল্টি সুট আওটতা ইন্দিয়াগী গোলকিপর অদ্রিজা সারখেলনা পেনাল্টি অনী সেভ তৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সিল্কী দেবীনা অরোইবা পেনাল্টি সোট কাওদুনা পেনাল্টি সুট আওট অদু ৫–৩ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## *ফিফা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়র ঃ* আদিল খানগী পাঞ্জলনা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশ গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

*কোলকটা, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ*



কাটারনা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ক্বালিফায়র রাউন্দ টুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কোলকটাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ 'ই' গী লীগ মেটচতা ইন্দিয়াগী আদিল খাননা অথেংবদা চনখিবা পাঞ্জলনা বাংলাদেশকা গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসি হেক শান্নবদগী টিম অনীমক অমনা অমগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্নবা হোৎনদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী অহানবা মিনটতা রাহুল বেকেবু বাংলাদেশকী শান্নরোই মোহমদ ইব্রাহিম মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা তুহনখি। অদুবু রেফরিনা ফজনা উহৌদবদগী ইন্দিয়ানা পেনাল্টি ফংলমগদবা তাঞ্জা অদু মাঙজখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক অকনবা মওংদা এটেক চখদুনা মেটচ অসি মায় পাক্লবগী লম্বেলদা পুশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৩১শুবা মিনটতা বাংলাদেশকী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা গোল চল্লগদবা খজিক্তং ঙাইহৌখি। ইন্দিয়াগী গোলকিপর গুরপ্রিত সান্ধুনা মহাক্কী হৈ–শিংবা অদু উৎখিবদগী বোল অদু কোর্নররোমদা থৈদোকহনখি।

শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি ফংবা য়াবা খুদোংচাবা অমা রেফরিনা পীখিদবদগী ইন্দিয়ানা গোল মাঙজিল থারম্বা খুদোংচাবা অমসু মাঙজখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪১শুবা মিনটতা বাংলাদেশকী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই সাদ উদ্দিননা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোখদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখ্রবসু বাংলাদেশকী দিফেন্দরশিংনা গোল চনশিনবা য়াবা খুদোংচাবা পীখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখিবা অদুগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৮৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই আদিল খাননা গোল অমা চন্দুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা গোল চনশিন্নবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী ফিফা ৱার্ল্ড ক্বালিফায়র রাউন্দ টুগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশ গোল ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।


ফিফা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়র রাউন্দ টুগী গ্রুপ 'ই' দা ইন্দিয়াগী টিম মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ ২ দ্রো লগা মেটচ অমা মায়থিবা নংদুনা পোইন্ট ২ ফংলগা গ্রুপ অসিগী টেবলদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরি।

কাটারনা মেটচ ৪ দা মেটচ ৩ মায় পাকপা অমদি মেটচ অমা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ১০ ফংলগা গ্রুপকী মকোক্তা লৈরি। ওমান অমসুং আফগানিষ্টাননা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেটচ মথং থাগী ১৪ দা আফগানিষ্টানগা শান্নরগনি।

## য়ুক্রেননা পোর্টুগালবু ২–১ দা থোইদুনা ক্বালিফাই ওইখ্রে, ইংলেন্দনা বলগেরিয়াবু মায়থিবা পীখ্রে

*কিয়েভ, ওক্টোবর ১৫(এজেন্সি)ঃ*



য়ুক্রেননা পোর্টুগালবু গোল ২–১ দা থোইদুনা য়ুরো ২০২০ দা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে, অতোপ্পা গ্রুপ মেটচ অমদা ইংলেন্দনা বলগেরিয়াবু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

য়ুক্রেন অমদি পোর্টুগালনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী লীগ মেটচ অমদা য়ুক্রেননা পোর্টুগালবু গোল ২–১ দা থোইদুনা য়ুরো ২০২০ দা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিগী ৬শুবা মিনটতা য়ুক্রেনগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই রোমান য়ারেমচুকনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পোর্টুগালগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা এন্দ্রি য়ামোলেনকোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোখরিবা পোর্টুগালগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা পোর্টুগালনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা গোল অমা চন্দুনা ১–২ দা শোখদুনা লাকখি।

পোর্টুগালগী শান্নরোই কৃষ্টিয়ানো রোনাল্টোনা ঙসি চনখিবা গোল অসি থারগা মহাক্কী কেরিয়রগী ৭০০শুবা ইন্টরনেসনেল গোল ওইবা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী মেটচ অসি য়ুক্রেননা পোর্টুগালবু ২–১ দা থোইদুনা য়ুরো ২০২০ দা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

য়ুরো ২০২০ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী লীগ মেটচ অমদা ইংলেন্দনা বলগেরিয়াবু গোল ৬–০ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা বলগেরিয়াগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। মেটচকী ৭শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোই মার্কস রাসফোর্দনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারকখি।

২০শুবা অমদ ৩২শুবা মিনটতা রোজ বার্কলিনা গোল অনী অমসুং ৪৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রাহিম ষ্টরলিংনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৪–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোই রাহিম ষ্টরলিংনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৫–০ দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং মেটচকী ৮৫শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী কেপ্টেন হেরি কেননা গোল অমগা চল্লগা মেটচ অসি ৬–০ দা মায় পাকখি।

য়ুরো ২০২০ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী লীগ মেটচ অমদা সর্ভিয়ানা লিথুৱানিয়াবু গোল ২–১ দা থোইখি। অদুগা গ্রুপ 'এ' গী লীগ মেটচ অমদনা কোসোভানা মোন্টেনেগ্রোবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

## ইন্দিয়া জপানগী মখূৎতা ৩–৪ দা মায়থিখ্রে

*জোহোর বাহরু, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

মালেসিয়াগী সিটি জোহোর বাহরুদা চথরিবা সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কী টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম জপানগী মখূত্তা গোল ৩–৪ দা মায়থিখ্রে।

শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা জপানগী শান্নরোই মোটসুমোটোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা জপানগী অতোপ্পা শান্নরোই কৌসৈ কৱাবেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই গুরসাহিবিজিটনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শানরোই সরদানন্দ টিৱারিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৯শুবা মিনটতা জপানগী শান্নরোই কৌসৈ কৱাবেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থাখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রতাপ লাক্রানা মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা ৩–৩ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা জপানগী শান্নরোই কৈটো ৱাটানবেনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি ৪–৩ দা মায় পাকখি।

## সাইমোন্সনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী হেদ কোচ ওইরে

*চাগুৱারামাস, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

মমাঙদা ৱেষ্ট ইন্দিজ ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইরম্বা ফিল সাইমোন্স চহী ৪ গী কোন্ট্রেক্টতা অমুক হন্না লৈবাক অসিগী নুপা ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইখ্রে।

মমাঙদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী নুপা ক্রিকেট টিমগী ওপনর ওইরম্লবা ফিল সাইমোন্স জিম্বাৱে, আয়রলেন্দ অমদি আফগানিষ্টানগী ক্রিকেট টিমশিংগী কোচ ওইনা থৌ পুরমখি।

মহাক্না মমাঙদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী কোচ ওইনা থৌ পুরিঙৈদা লৈবাক অসিনা কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা টি–২০ ৱার্ল্ড কপকী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

ফ্লোইদ রৈফরনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী ফম অসি পায়দুনা লাকখিবনি। মহাক্কী থৌদাং অদু ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা আই সি সি ৱার্ল্ড কপ ফাওবা ওইখি। মহাক্না ফম অসি থাদোকখ্রবা মতুং হাংদুনা লৈরকখিবা লৈবাক অসিগী হেদ কোচকী ফম অদু অমুক হন্না ফিল সাইমোন্সতা পায়হনখিবনি।

মশাগী চহী ৫৬শুরবা ফিল সাইমোন্সনা কুমজা ২০২৩ ফাওবা ফোরমেট অহুমক্কী ওইনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী হেদ কোচ ওইগনি হায়রি।

## দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী সিন্ধু অমসুং সাই প্রনিথ মায় পাকখ্রে, সৌরভ ভর্ম লৈহৌরে

*ওদেন্স, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

দেনমার্ককী সিটি ওদেন্সতা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা য়ু এস দোলর ৭৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধু অমসুং সাই প্রনিথ মায় পাক্লা কেম্পেন হৌদোকখ্রে, সৌরভ ভর্ম অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা হন্দক্তা নৌনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়াগী জি এম টুনজুংবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২২–২০, ২১–১৮ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী চেনবু ২১–১৮, ২১–১৩ দা থোইরম্বী সাউথ কোরিয়াগী অন সে য়ংগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী ওংবামরুংফানবু ১৮–২১, ২১–৯, ২১–১৬ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচি হোং কোংগী শান্নরোই চিয়ুংগী মখূত্তা ১৯–২১, ১৮–২১ দা মায়থিদুনা লৈহৌখি। স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী পি চোচুৱোংবু ২১–১৬, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

দেনমার্ক ওপন অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৭শুবা সিদেদ ওইরিবী চাইনাগী হি বিংজিয়াও সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনগী মখূত্তা ২৩–২৫, ১৮–২১ দা মায়থিহৌখি। য়ু এসকী বৈৱেন ঝাংসু অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ককী জের্সফেল্টপু ২১–১২, ১৭–২১, ২১–১৭ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা থাইলেন্দগী শান্নরোই লিন দানবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৪, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সৌরভ ভর্ম অমদি পরুপল্লি কাশ্যপ অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা মায়থিহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

সৌরভ ভর্ম ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী এম কালজৌগী মখূত্তা ২১–১৯, ১১–২১, ১৭–২১ দা মায়থিহৌবনি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই পরুপল্লি কাশ্যপ থাইলেন্দগী এস থাম্মাসিনগী মখূত্তা ১৩–২১, ১২–২১ দা মায়থিহৌখি।

ফ্রান্সকী শান্নরোই ৱাইস লেভরদেজনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংবু গেম অহুম চঙনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লরবা মতুং ১৬–২১, ২১–১৯, ২২–২০ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টিনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কিম জি জুং অমদি লি য়োং দেবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২৪–২২, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ক্রোসৱার্দ ৩০৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| J | E | S | S | ■ | S | E | S | A | M | E | ■ | C | B | S |
| F | L | U | E | ■ | A | S | H | L | E | Y | ■ | O | L | E |
| K | I | N | D | O | F | C | A | B | L | E | ■ | C | A | D |
| ■ | ■ | B | O | N | E | ■ | L | E | O | ■ | G | O | N | G |
| S | C | O | N | E | ■ | S | L | E | D | B | L | A | D | E |
| C | A | N | A | S | T | A | ■ | ■ | Y | O | U | ■ | ■ | ■ |
| U | R | N | ■ | ■ | I | M | P | S | ■ | R | E | A | D | D |
| B | E | E | T | L | E | B | A | I | L | E | Y | G | U | Y |
| A | S | T | R | O | ■ | A | L | T | O | ■ | ■ | O | N | A |
| ■ | ■ | ■ | I | K | E | ■ | ■ | A | B | S | C | O | N | D |
| U | S | P | A | I | N | T | E | R | ■ | H | A | D | E | S |
| R | A | I | L | ■ | C | I | A | ■ | F | O | R | M | ■ | ■ |
| A | D | Z | ■ | B | O | A | T | C | A | P | T | A | I | N |
| L | I | Z | ■ | A | R | R | E | S | T | ■ | O | N | C | E |
| S | E | A | ■ | H | E | A | R | T | S | ■ | N | Y | E | T |


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Salam, Imphal West**

*Ref. :- Mutation Cass No. 414/SDC/IW/Salam of 2019*

Irengbam Rasmani Devi W/o (L) I. Irabot Singh of Langjing Achouba Mamang Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Irengbam Irabot Singh S/o (L) I. Chaoba Singh of Atom Khuman

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*the 15th Oct. 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬৯–কংদাবী পাট্টা নং ৬৯/২১ অনৌবা দাগ নং ১৪৪ গী এরিয়া .৫৪ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি শিখ্রে। মরম অদুনা পাট্টাগী লম অসি মথক্কী নুপী দরখাষ্টকারি অসিগী মিংদা পানবিরো হায়দুনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা উক্ত কোর্ট অসিদা ৱাকৎলবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখজগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/BILL(2)/16

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Salam, Imphal West**

*Ref. :- Mutation Cass No. 371/SDC/IW(S) Dated 19/9/2019*

1. Thingujam Chittaranjan Singh S/o (L) Yaima Singh of Sagolband Meino Leirak -2.53 acre
2. Jim Golden Thingujam S/o (L) -do- of -do- -3.165 acre
3. Momtaz Thingujam W/o Khwairakpam Raghumani Singh Uripok Kabrabam Leikai -2.53 acre

***- Petitioners***

***-Verses-***

Late Thingujam Yaima Singh S/o (L) Gandhar Singh Sagolband Maisnam Leikai

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 14th Oct. 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Thingujam Yaima Singh পীং মৃঃ Th. Gandhar Singh সাং Sagolband Maisnam Leikai গী মিংদা লৈবা Salam তহশিলগী খুল নং 74- Maklang গী অনৌবা পাট্টা নং 120 দাগ নং 1 অমসুং এরিয়া 8.23 acre চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোয়ননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/Bill/16

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Salam, Imphal West**

*Ref. :- Mutation Cass No. 413/SDC/IW/Salam of 2019*

Khoisnam Jiten Singh S/o Kh. Sanahal Singh of Luker Mamang Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late 1. Khoisnam Sanahal Singh S/o (L) Kh. Komol Singh of Luker Mamang Leikai
2. (Late) Khoisnam Naran Singh S/o (L) Kh. Komol Singh of Luker Mamang Leikai

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*the 15th Oct. 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৭৫–লুকেরগী পাট্টা নং ৭৫ / ১০১ / ৪১৩ অনৌবা দাগ নং ৪৮৪ / ৬৪০ গী এরিয়া .১৮৫ একর চাওবা ইংখোল অসি ১। খোইস্নাম সনাহল সিংহ, ২। খোইস্নাম তোম্বা সিংহ, ৩। খোইস্নাম নরান সিংহ মখোয় অহুমগী মিংদা পান্দুনা লৈ। ১। খোইস্নাম সনাহল সিংহ, ২। খোইস্নাম নরান সিংহ অনী অসি শিখ্রে। মখোয় অনীগী শরুক দাগকী মনুংদগী নোংপোক্তা .১২৩৩ এক্করগী লমনি। হায়রিবা মখোয়গী শরুক অসি মচানুপা দরখাষ্টকারিগী মিংদা পানবিরো হায়দুনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা উক্ত কোর্ট অসিদা ৱাকৎলবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখজগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/BILL(3)/16